## জপানদা বার্ড ফ্লুগী লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা থেংনখ্রে

টোকিও, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
জপানদা য়াম্না লৌনগনবা বার্ড ফ্লুগী সবটাইপ ঐচ ৫ এন ৮ লৈবাক অদুগী পোল্ট্রি ফার্ম খরদা শন্দোরকপা থেংনখ্রে হায়না ঙসি এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

জপানগী খা নোংচুপথংবা শরুক্তা লৈবা ইজুমিক সিটিগী পোল্ট্রি ফার্ম অমদা য়োক্তুনা থল্লিবা মরুম কোকপী য়েনবী লিশিং ১১ অদুগী মনুংদা লিশিং ২ হেন্না বার্ড ফ্লু নাবা থেংনখিবনি। মফম অদু মরী লৈনবশিংনা আইসোলেট তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা মরম লৈতনা পোল্ট্রি ফার্ম অসিগী অকোয়বদা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখ্রে। বার্ড ফ্লুনা নারবা য়েনশিং অদুসু অচৌবা কোম অমদা হাৎতুনা থল্লবা মতুং মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

জপানদা বার্ড ফ্লু লাইচৎ শন্দোরকপা অসি চহী অসিগী ওইনা অহুল্লক শুরে। মতৌ করম্না লাইচৎ মখল অসি মরুম কোকপী য়েনবীশিং অদুদা নারকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অখন্নবা এক্সপার্ট টিম অমা শেমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক অথুবা মতমদা পায়খৎলগনি। সিটি অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙসিদগী নুমীৎ ১০নিগী মনুংদা পোল্ট্রি ফার্ম অসিদগী পুথোরকখিবা য়েরুমশিং চাদনবা মরী লৈনবশিংনা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, ৱর্ল্ড ওর্গনাইজেসন ফোর এনিমেল হেল্থনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুরোপ অমসুং এসিয়াদা বার্ড ফ্লু শন্দোকপগী থৌওং অসি য়াম্না তোয়না থোক্লি। অদুবু হন্দক জপানদা থেংনরিবা বার্ড ফ্লু মখল অসি য়াম্না থুনা শন্দোকপা ঙম্বা লাইচৎ অমনি হায়রি।

## ইলেক্সনদা অরানবা তৌখি হায়না মিলিটরিনা চার্জ তৌখ্রে

য়াঙ্গোন, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১দগী ম্যান্মারদা মিলিটরিনা পৱার পায়শিন্দুনা জুন্তা লৈঙাক লাকহনখ্রবা মতুং হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবী ম্যান্মার মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা অরানবা পান্থে কয়া শীজিন্নখি হায়না মিলিটরি জুন্তানা অমুক হন্না চার্জ তৌখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা নোভেল প্রাইজ ফংখ্রবী সূ চিনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখিবা অদু অরানবা পান্থেশিংগী মতেংননি হায়না মিলিটরিনা মরাল শীরি। ইলেক্সন মতমদা সূ চি অমদি মহাক্কা চৎমিন্নরিবা পোলিটিসিয়নশিংনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়খি। মসিদা নত্তনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শীজিন্নগদবা ৱাকি টোকিশিং মহাক্কী খোঙলোয়শিংদা শীজিন্নহনখি। মদুনা মরম ওইরগা ইলেক্সন অদুদা সূ চিনা চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, মশাগী চহী ৭৬ শুরবী মীয়ামগী লুচিংবী অসি ফেব্রুৱারী ১দগী মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা চার্জ তৌরকখিবনি। মঙোন্দা তৌরকখিবা চার্জশিং অদুগী মনুংদা সিদিসন অমসুং করপসনগী চার্জশিং য়াওরি। করিগুম্বা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অসি অচুম্বনি হায়না প্রুভ তৌবা ঙল্লবদি লুচিংবী অসি চহী চুপ্পা জেলদা লৈরবা য়ারি।

## নৌনা শেমগৎলিবা সিটিদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে

পিয়োংয়াং, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়া অমসুং চাইনাগা লোন্নবা শরুক্তা নোর্থ কোরিয়ানা নৌনা শেমগৎলিবা অনৌবা সিটি অদুদা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কিম জোং উননা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা লুচিংবা অসিগী ইমুং-মনুংগী ওইনা চৎনদুনা লাক্লবা থৌরমগী মনুং চন্না লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী শেংলবা চীংগী শরুকশিংদা ভিজিট তৌখ্রে।

থা অমরোম হেন্না নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অসি মীয়াম মমাঙদা থোরকখিদ্রবনি। অদুবু ঙসি মাউন্ট পেক্টু মনাক নক্না শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরিবা সিটি অদুদা কিম ভিজিট তৌখিবনি। ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা অলপাইন টাউনবু অচৌবা ইকনমিক হব অমা ওন্থোক্লবা নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হোৎনদুনা লাকখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখ্রে।

## অহানবা ওইনা মেয়োং ৱিমেন ৱারিয়র কৌবা নুপীশিংগী ফাইটর টিম অমা শেমখ্রে

য়াঙোন, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মিলিটরিগী মায়োক্তা পেন্দবগী খোঙজং কয়া চঙশিনবা হৌখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী জুলাই থাদগী মিলিটরিগী মায়োক্তা খুৎলায় পায়দুনা ইথনিক রেবেল গ্রুপশিংনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। ইথনিক রেবেল গ্রুপশিং অদুবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা অমদি মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওংশিং অদু মপুঙ ফানা য়ানিংদে হায়বা উৎনবগীদমক ম্যান্মারদা ইহান হানবা ওইনা নুপীশিংখক্তগী ওইবা মেয়োং ৱিমেন ৱারিয়র হায়না মিংথোনবা ফাইটর গ্রুপ অমা শেমখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ম্যান্মার মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা লৈরম্বা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক ইন্থুরবা মতুং মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখিবা অদুগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংদা নুপীশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মীয়াম্না মতম শাংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবদা মিলিটরিনা তাবা লৈত্রি।




অসিগুম্বা কা হেনবা থৌওংশিং অসি খাঙবা ঙল্লক্তবদগী নুপীশিংগী ওইবা ফাইটর গ্রুপ অসি শেমখিবনি হায়রি।

নৌনা শেমখ্রবা ফাইটর গ্রুপ অসিদা য়াওরকখিবী মশাগী চহী ২৩ রোম শুরবী হান্না ওজা ওইরম্বী কাব্যা মে কৌবী অমনা ফোঙদোকরকখিবগী মতুংইন্না মহাক ভাইওলেন্সকী ওইবা থবকশিংদগী মতম পুম্বদা লাপ্না লৈবা পাম্মী। অদুবু লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা চথরিবা কা হেনবা মীওৎ মীনৈ অসি খাঙবা ঙমদবদগী নুপী ফাইটর গ্রুপ অসিদা য়াওখিবনি। মহাক্না গ্রুপ অসিদা য়াওরকপগী মরুওইবা পান্দমদি মশাগীতা ওইজবা য়েংদুনা থবক তৌরিবা মিলিটরি জুন্তাগী লুচিংবশিং অসি লৈবাক অসিদগী তান্থোকপনি।

অতোপ্পা নুপী ফাইটর খরনা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অসিবু মায়থিবা পীদুনা নুপা নুপী রাইট চপ মান্নবা অপুনবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবগীদমক ফাইটর গ্রুপ অসি হৌদোকখিবনি। মিলিটরিনা নুপীশিংদা চথরিবা কা হেনবা থৌওংশিং অসি মায়োক য়ানবগীদমক লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা মখুৎতা খুৎলায় পায়নবা ফিরেপ লৌখিবনি। মসিদা মখোয় শিরবসু অকিবা পোক্তে হায়রি।

## ‘জেল ওথোরিটিশিংনা মহাকপু ফুবা অমদি অহেনবা থৌওং চথখিবা লৈতে’

কাটার, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
হান্নগী য়ু এস দিপ্লোমেট বিল রিচার্দসন অমসুং মিলিটরি জুন্তাগী লুচিংবশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা থা ৬ হেন্না ফাজিন্দুনা লৈরুরবা য়ু এস জর্নেলিষ্ট ম্যান্মার মিলিটরিনা থাদোকরকখিবগা লোয়ননা মহাক ঙরাং কাটারদা থুংখ্রে। কাটারদা থুংলবা মতুং মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম করিসু তৌদে। জেলদা লৈরিঙৈদা জেল ওথোরিটিনা মহাকপু ফুবা অমদি মহাক্কী মথক্তা কা হেনবা থৌওং অমত্তা চথখিবা লৈতে হায়না দেনি ফেনষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৩৭ রোম শুরবা দেনি ফেনষ্টর ফ্রন্টিয়র ম্যান্মার কৌবা ওনলাইন মেগাজিন অমগী মেনেজিং এদিটর ওইনা লৈবনি। মহাক চহী অসিগী মে থাদা ম্যান্মার মিলিটরিনা ফারবা মতুং তোঙান তোঙানবা চার্জ কয়া তৌশিন্দুনা জেলদা থল্লকখিবনি। মমাং চয়োলদা মহাকপু মিলিটরি কোর্ট অমনা চহী ১১গী জেলগী ফাদোক পীরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা থাদোরকখিবনি।



মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মহাকপু জেলদগী থাদোরকখিবা অসি য়াম্না নুংঙাই। অমুক্তা হেন্না নুংঙাইরিবদি মরৈবাক্তা চত্তুনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উনবা ফংলগনি হায়বসিনি। য়ু এসকী হান্নগী দিপ্লোমেট বিলনা মহাক্কীদমক হোৎনখিবা অদু কৈদৌনুংদা কাউবা ঙম্লোই। য়ু এস দিপ্লোমেটশিংনা মখোয়গী সিটিজনশিংগীদমক হোৎনরিবা অসি থাগৎনিঙাই ওই হায়রি।

অমরোমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী মে থাদা ম্যান্মার মিলিটরিনা মহাকপু মরম অমত্তা পীদনা ফাজিনখিবনি। জেলদা লৈরিঙৈ মতমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মহাকপু ওৎ নৈবা অমদি চাক লাম্না লৈহনখিদে। অদুবু লৈবাক অদুদা মিলিটরিনা চথরিবা কা হেনবা থৌওংশিং অসি মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তারি।

## ৱিমেন ট্রাফিক্কিংদা চেন্নবা মীওই অমা অফঘানিষ্টানদগী ফারে

কুন্দুজ, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী অৱাংথংবা শরুক্তা ৱিমেন ট্রাফিক্কিংগী থবক পাকশন্না চথরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা হৌখিবা থাংজ নুমীৎতগী হৌরগা চথরকখিবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা হীরম অসিগা মরী লৈননা মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অফঘানিষ্টানগী জোঝান প্রোভিন্সকী অৱাংথংবা শরুক্তা ট্রাফিক্কিংগী থবক্তা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অসি ফাবা ঙমখিবনি। মখা তানা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা হোৎনরি হায়না টালিবান প্রোভিন্সিয়ল পুলিস চীফ দামুলা সেরাজনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ফারবা মীওই অসি ৱাহং-পাউহং চথবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা প্রোভিন্স অদুদগী চহী নৌরিবী নুপী ১৩০ হেন্না অতোপ্পা লৈবাকশিং য়োনখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি। নুপীশিং অদুবু ট্রাফিক্করশিংনা অরং-অরাক্তা ঙাওহল্লবা মতুং লুহোংসি হায়জিন্দুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পুরগা য়োন্থোকপগী থবক চথবনি হায়রি।

## প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৯ শিখ্রে

ষ্টোকহোল্ম, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
ঙরাং নুমিদাং ওরেগ্রোদা স্কাই দাইভরশিং পুদুনা পাইখিবা অপিকপা প্লেন অমা কায়বগী থৌদোক্তা প্লেন অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর ৮ য়াওনা পাইলোট অদুসু শিখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্লেন কায়বগী থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু লোকেল স্কাই দাইভিং ক্লব অমগী মেম্বরশিংনি। মখোয় হান্নগুম্না স্কাই দ্রাইভ তৌনবগীদমক প্লেন অদু তোংলগা পায়খৎখিবনি হায়রি। স্বিদিস মেরিটাইম এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাঙাঙলোয় কার্ল-জোহান লিন্দনা ফোঙদোকখিবদা প্লেন অদু পাইখৎখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা থৌদোক অদু থোকখিবনি। প্লেন অদুগী মনিং থংবা শরুক্তা খঙহৌদনা মৈ চাল্লকখিবগা লোয়ননা নোংথক্তা প্লেন অদু কায়খিবনি। প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা প্লেনদুদা তোংখিবা মীওই খুদিংমক শিখ্রে।

প্লেন কায়বগী পাউ হেক ফংবগা মরী লৈনবশিংনা প্লেন কায়খিবা মফম অকোয়বদা চঙশিন্দুনা থি হুন্বগী থবক চথবা হৌখ্রে। প্লেন অদু টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরবসু চপ চাবা মরমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। দিপ্যুটি রিজনেল পুলিস চীফ নিক্লাস হোলগ্রেননা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা প্লেন কায়বগী থৌদোক অদু খঙখিবনি। পাউ হেক ফংবগা পুলিস ওফিসলশিংনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। প্লেন অদু মতৌ করম্না কায়খিবনো হায়বদু থিজিনবদা মতম খরা চঙলবা য়াই।

থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মতাংদা চপ চাবা ইনফোর্মেসন পুলিসনা মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। স্বিদিস এক্সিদেন্ট ইনভেষ্টিগেসন ওথোরিটিনা প্লেন কায়বগী থৌদোক থোকখিবা ওরেগ্রোদা অখন্নবা টিম অমা দিপ্লোয় তৌখ্রে হায়রি।

## প্রসিদেন্ট জোভেনেন মোইজে হাৎপদা চেন্নরমগনি চিংনবা ১ ফারে

অনকারা, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী জুলাই থাদা হাইটিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জোভেনেন মোইজেবু মহাক মশাগী ময়ুমদা হাৎলম্বদা নত্তনা মহাক্কী লোয়নবীবু কা হেন্না শোকহল্লমখিবগী থৌদোক অদুদা মরুওইনা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অমা টর্কিস ওথোরিটিশিংনা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না হাইটিগী ফোরেন মিনিষ্টর ক্লাউদ জোসেফনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, টর্কিস মিনিষ্টর মেভলুট কাভুসোগ্লুনা মঙোন্দা ফোন তৌরক্তুনা থৌদোকসিদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ফারে হায়না খঙহল্লকখিবনি। ফারবা মীওই অসি অথুবা মতমদা হাইটিদা শীন্নরক্লগনি। মহাক্কী মতাংদা চপ চাবা ইনফোর্মেসন মীয়ামদা খঙহনবদা হৌজিকমক্কী ওইনদি খুদোংচাদবা খরা লৈ। অদুম ওইনমক ফারবা মীওই অদুগী মমিং সমির হন্দন কৌই। মহাক কলম্বিয়ননি হায়রি।

অমরোমদা, টর্কিস মীদিয়ানা ফোঙদোরকখিবদা, হীরম অসিগা মরী লৈননা টর্কিগী ইন্টিরিয়র মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়রি।

## য়ু এস হায়স্কুল অমগী মনাক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৫ শোক্লে



লোস এঞ্জেলিস, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
য়ু এস হায়স্কুল অমগী মনাক্তা থোকখিবা মফম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা চহী নৌরিবা নহা ৫ শোক্লে হায়না পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌরে হায়রি।

ঔরোরা পুলিস দিপার্টমেন্টনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, কোলোরাদোদা লৈবা সেন্ট্রেল হায়স্কুল অমগী মনাক্তা লৈবা পার্ক অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা নহাশিং অদু মহী ১৪ দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি। মখোয় হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথরি। মখোয়গী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে।

নোম পার্কতা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোক্লে হায়না পাউ ফংলবা মতুং পুলিস পর্সনেলশিং মফম অদুদা থুনা য়াঙনা চঙশিনখি। পুলিসনা মফম অদু য়ৌবা মতমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওই অদুদি লৈরমদ্রে। অদুম ওইনমক চেন্নরিবা মীওই অদু অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীনবা হোৎনগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি কোলোরাদোদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসি অনৌবা নত্তে। য়ু এস ষ্টেট অসিদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। মসিগী মতাংদা পুলিস অমদি মরী লৈনবশিংনা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। য়ু এস ষ্টেট অয়াম্বদা মফম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা চহী খুদিংগী মীওই কয়া শিহন্দুনা লাক্লি।

## সুসাইদ বোম্বরশিংগী এটেকতা মীওই ৩ শিরে, ৩৩ শোক্লে

কম্পালা, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
উগান্দাগী কোনুং কম্পালাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা সুসাইদ বোম্বরশিংনা চথখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩ শিখিবগা লোয়ননা ৩৩ অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিস ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, মফম অনীদা স্যুসাইদ বোম্বর ৩ না এটেক অদু চথখিবনি। অহানবগী এটেক অদুনা লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্ট মনাক্তা চথখিবনি। এটেক অদুগা ইকান কান্নদনা সেন্ট্রেল পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা অতোপ্পা এটেক অদু চথরকখিবনি। এটেক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং খুদক্কী ওইনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা অনা লায়েংগী থবক চথরি। মীওই মরীগী ফিভম লুনা লৈরি।

## সিষ্টেম কায়খিবদগী কাবুল পাসপোর্ট ওফিস তঙাইফদনা থোঙ লোনখ্রে

কাবুল, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনবগীদমক পাসপোর্ট ওফিসতা লাকখিবা মীয়ামশিং অদুগী পাসপোর্ট মতম চানা পীনবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু নোংমদা মী মশিং কা হেন্না লাকখিবনা মরম ওইরগা লাক্লিবা মীওইশিং অদুগী খুৎকী ময়ি লৌনবা হোৎনবদা শিজিন্নরিবা বাইমেট্রিক স্কেন্নর কায়খিবদগী তঙায়ফদনা পাসপোর্ট ওফিস থোঙ লোনখিবনি হায়না টালিবানগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।



পাসপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর অলম গুল হকানিনা ফোঙদোরকখিবদা, মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা পাসপোর্ট ওফিসতা থোমজিল্লক্তুনা পাসপোর্ট লৌনবা হোৎনরি। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু অঙম্বা থাক্তা লাক্লিবা মীওইশিং অদুগী পাসপোর্ট ইস্যু তৌনবা হোৎনরি। অদুবু ঙরাং বাইওমেট্রিক স্কেন্নর অমদি সিষ্টম কায়খিবদগী পাসপোর্ট ওফিস থোঙ লোনখিবনি হায়রি।

## অকনবা নোংনা কনাদাগী পেসিফিক কোষ্টতা ঈশিং ঈচাউ অমদি চীং নীংখায়বগী থৌদোক পাক শন্না থোকহনখ্রে

ওট্রৱা, নভেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
কনাদাগী পেসিফিক কোষ্টতা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতগী হৌরগা চুরকখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা মফম অদুদা ঈশিং ঈচাউ অমদি চীং নীংখায়বগী থৌদোক কয়া থোকহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মফম অদুগী মরুওইবা লম্বী কয়া ফাওনবা য়াদনা লৈখ্রে হায়রি।

লোকল মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ঙরাং নুমীদাং বৃটিশ কলম্বিয়াগী অগাসিস টাউনদা ঈচাউনা মরম ওইরগা মীওই ২৭৫ রোম চৎপা য়াদবদগী মখোয়না তোংলকখিবা গাড়ী মনুংদা অহিং য়ারেক্তুনা লৈনখি। অতোপ্পা মফম অমদনা ঈচাউনা মরম ওইরগা অপীকপা থোং অনী তেকহনখিবগা লোয়ননা মীওই লিশিং ৭ লোম মফম অদু থাদোক্তুনা মতম খরগী ওইনা শাফগদবা মফমদা লৈরুনবগীদমক ওথোরিটিশিংনা খঙহনখ্রে।

মেরিট প্রোভিন্সকী পব্লিক সেফ্টি মিনিষ্টর মাইক ফ্রানৱাদনা ফোঙদোকখিবদা, ঈশিং ঈচাউনা কা হেন্না চৈথেং পীখ্রবা মফমশিংদা অহেনবা রেস্ক্যু ৱার্করশিং থাজিন্দুনা মী কনবগী থবক চথরি। রেস্ক্যু



ৱার্করশিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কার ১০০ রোমদা তোংদুনা লৈরম্বা মীওইশিং রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে। মীওইশিং অদু ঙরাং নুমীদাংদগী হৌরগা লম্বীদা চেন্থরকখিবা লৈখোম লৈনাংনা গাড়ী থৌবা য়াদবদগী অমদি গাড়ীদগী কুমথবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা চরা হেন্দুনা অহিং লেল্লকখিবা মীওইশিং ঙাক্তনি। রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রবশিং অদুগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাং কয়াসু য়াওরি। মখা তানা অহেনবা রেস্ক্যু ৱার্করশিং থাজিন্দুনা মী কনবগী থবক চথখিগনি।

বৃটিশ কলম্বিয়া ইমর্জেন্সি হেল্থ সর্ভিসনা ফোঙদোকখিবদা, অগাসিসতা থোকখিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৯ শোকখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং অদু খুদক্কী ওইনা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং মনাক নকপদা লৈবা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। মখোয়গী হকচাংগী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। ঈশিং ঈচাউ অমদি চীং নীংখায়বগী থৌদোক্লা মরম ওইরগা চৎপা য়াদনা থিংজিন্দুনা লৈখ্রবা লম্বীশিং শেংদোকপগী থবক চথবা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা হান্নগুম্না চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা হোৎনরি হায়রি। লৈবাক অদুগী মেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না বৃটিশ কলম্বিয়াদা মখা তানা অকনবা নোং চুরবা য়ানা লৈ হায়রি।

YVU FINANCIAL SERVICES PRIVATE LIMITED
(An NBFC-MFI under Section 45-IA of Reserve Bank of India Act, 1934, CIN: U65921MN1993PTC008270)
RO & HO Waiview Bhavan, YVU Road, Thoubal Wangmataba, Thoubal – 795138, India

Vacancy Notice
12/11/2021

| Post | No. of Post | Minimum Qualification | Preferred | Location | Salary per month | Additional Benefits |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Assistant Manager | 2 | Graduate | Fluency in Hindi and English with computer knowledge and typing minimum 30 WPM | Transferable throughout North Eastern States. + CCA if posted outside Manipur | Rs. 15,000/- | EPF, Gratuity, Mediclaim for self + 4 dependents, Accidental Insurance up to Rs. 5.00 Lakhs |
| Multi-Tasking Staff (Family) | 2 (Husband & Wife) | Class VI Pass. | Young couple with not more than 2 children. | Head Office, Thoubal. | Negotiable + Free Official Quarter, Electricity, Water, etc. | |

Application on plain paper with recent PP size color photograph may be submitted to the Manager (HR) or mail to: contact@yvumf.com. Only short-listed candidates will be called for interview.
Last date of Application: 25th November, 2021
For more details please contact: Call & WhatsApp: +917005481474

Manager HR
YVU Financial Services Private Limited
HL-P/0654/17

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/7261/2/11-2/12